# ফ্রান্সতা ঈরাং লেপ্পবা গভর্ণমেন্টনা ফ্যুঅলগী টেক্স হেনগৎপা তোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রে

পেরিস, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী):
ফ্রেঞ্চ গভর্ণমেন্টনা ফ্যুঅল টেক্স হেনগৎহনবগী খোঙথাং লেপ্লগনি হায়না লোকেল মীদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি। থাউগী মমল হেনগৎলকপগী মায়োক্তা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না চয়োল কয়ামুক প্রোটেষ্ট তৌরকখিবনি।



হৌখিবা চয়োল অহুম অসিদা ফ্রান্সকী মরুওইবা সিটিশিংদা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌনখিবদা অমাঙ-অতা কয়ামরুম থোকখি। প্রাইম মিনিষ্টর এদুৱার্দ ফিলিপনা প্রোটেষ্টরশিংগা শন দাইনবগী ৱাফম হৌদোকখি, তৌইগুম্বসুং মখোয়গী মরক্তা য়াওবা কা হেনবা চৎপশিং (এক্সত্রিমিষ্টশিং)না হাৎকনি হায়না কিহল্লকপা লৈ হায়রদুনা প্রোটেষ্টরশিংনা ৱারী শানবগী মতম য়ৈথোকখি। য়েলো ভেষ্ট প্রোটেষ্টে হায়না খঙনবা মীয়ামগী খোঙজং অদু হৌজিক্তি গভর্ণমেন্টদা পেন্দবগী অশাউবা কয়া উৎপগী খোঙজং ওইরক্লে। মীয়ামগী খোঙজং হৌখিবদগী অমসুং মদুগা লোয়ননা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনবা হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই অহুমগী পুন্সি লোমখ্রে। হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা প্রোটেষ্টরশিংনা অর্ক দে ত্রিওমদ থুগায়খিবগী থৌদোক পাক শন্না কন্দেম তৌনখি। লম্বীদা য়েংবদা হেক্তা উবা ঙম্বা হঙ্গামপাল মচুগী ফিজোল শেৎপশিংনা শরুক য়াই হায়দুনা খোঙজং অদু য়েলো ভেষ্ট প্রোটেষ্ট হায়না খঙনৈ। সোসল মীদিয়াগী খুথাংদা ঈহৌ অদু চাউখৎলকখি অমসুং পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা ঈহৌ অদু শৌগৎখি।

প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোন লৈবাক অদুদা অহোংবা কয়া পুরক্লবগী অচৌবা মেন্দেট অমগা লোয়ননা মীখলদা মায় পাকখি। তৌইগুম্বসুং হুদকথা খরসিদা মীয়াম্না মহাকপু পাম্লবগী চাং হন্থরকখি। মেক্রোন্না মহাক্কী পোলিটিকেল য়েক্লবশিংবু ঈহৌ অদুদা য়াওশিন্দুনা অহোংবা পুরক্লবগী থবকশিংদা অপনবা ওইহল্লে হায়না মরাল শিখি। প্রোটেষ্টরশিংনা হৌজিক প্রসিদেন্টনা সোসল নিগোসিএসনগী খুথাংদা মথংগী করম্বা খোঙথাং লৌরকপগে হায়বদু ঙাইহরি। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মীয়ামগী খোল্লাওশিং তাই হায়বদু উৎপদা নৎতনা মীয়ামগী পেন্নবা তৌনবা শেম শারে হায়বদুসু উৎকন্দবনি।

অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ইম্মান্যুএল মেক্রোনদা লুনা থোক্লিবদি মহাক্না হান্না থিংগনি হায়না কন্না লাউথোকখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না প্রোটেষ্টরশিংগা য়াশিন্নবা অসিনি। মহাক্না মীপুম খুদিংমক্তা লম্বী হোংবগী ৱাফম লৈতে হায়না ফোঙদোকখি। নিংথৌকাবা নুমীৎতা মেক্রোন্না সিক্যুরিটিগী অথুবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মিনিষ্টরশিংনা হায়খি মদুদি, মতম অসিদা খন্নরোইদবা থৌরাং অমত্তা লৈতে অদুবু ৱারী শানবদা ইমর্জেন্সি থম্বগী ৱাফমদি খন্নখিদে। ৱাথোক অদুদা হেন্না মায় ওনশিন্নবগীদমক্তা মেক্রোন্না সর্বিয়াগী খোঙচৎসু কেন্সেল তৌখি।

চৈরকসিদা, ফিলিপনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা ওপোজিসনগী লুচিংবশিংগা ৱারী শানখ্রে। মহাক্না লৈবাকপোকপা নুমীৎতা রুলিং পার্টিগী এম পিশিং উনরগা ৱারেপ অমা লাউথোক্লগনি। করি করি ৱাফমশিং লাউথোরক্কদগে হায়বগী ইঙ্গিৎতি মহাক্না পীখিদে।

# খাসোজি মীহাৎকী মতাংদা সী আই এগী চীফ হাস্পেলনা কোংগ্রেসতা পাউদম অমা পীরগনি

ৱাশিংতন, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী):
সাউদি জর্নেলিষ্ট জমল খাসোজিগী মীহাৎকী মতাংদা সী আই এগী মকোক্না কোংগ্রেসতা পাউদম অমা পীরগনি হায়না য়ু এস মীদিয়ানা হায়রি।



য়ু এসকী মীদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়, জিনা হাস্পেলনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা সিনেটকী লুচিংবশিংদা ৱা ঙাঙগনি। হৌখিবা চয়োলদা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট অমসুং সেক্রেটরি ওফ দিফেন্সনা হাউসতা হিরম অসিগী মতাংদা পাউদম অমা পীখিবা মতমদা মহাক য়াওখিদবদগী কোংগ্রেসকী মেম্বর খরা খোইরাং খোয়শাওখি। য়ু এস রেজিদেন্ট ওইবা সাউদি অইবা খাসোজি হৌখিবা ওক্টোবরদা টর্কিগী ইষ্টানবুলদা লৈবা সাউদি কোন্স্যুলেটতা হাৎখিবনি। য়ু এস মীদিয়ানা সী আই এগী ৱাফম পল্লদুনা সাউদি অরাবিয়াগী ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমানননা মীহাৎ অদু পাঙথোক্লবা য়াথং পীখিবা ওইরমগনি হায়না ফোঙদোক্লখি। সাউদিশিংনা মীওই ১১ বু মীহাৎতুগা মরী লৈননা মরাল শিখি তৌইগুম্বসুং ক্রাউন প্রিন্স চেন্নৈ হায়বদি য়াখিদে।

য়ু এসকী মীদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়, মীহাৎ অদু পাঙথোকপদা য়েংশিনখিবনি হায়বা সাউদ অল-কাহতানিগা ক্রাউন প্রিন্স সলমানগা মেসেজ থানখি হায়বগী ইভিদেন্স সী আই এদা লৈ।

সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোমপিও অমসুং দিফেন্স্ সেক্রেটরি জেমস মাতিসনা হৌখিবা চয়োলদা সিনেটরশিংদা মীহাৎ অদুদা ক্রাউন প্রিন্স হকথেংননা চেন্নখিবগী ইভিদেন্স লৈতে হায়খি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ক্রাউন প্রিন্সকা মরী লৈনবা সী আই এগী ফাইনিদংশিং অদু মপুং ফাদে হায়খি। মহাক্না হৌখিবা নবেম্বর ২০ দা অসুম্না হায়খি, 'অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক অসিগী মতাংদা ক্রাউন প্রিন্সতা নোলেজ লৈরম্বা য়াই। মহাক্না তৌখিবা ওইরম্বসু য়াই, তৌদবা ওইরম্বসু য়াই।'

মীদিয়াদা সী আই এগী ফাইন্দিংশিং লিক ওইখিবগী মতাংদসু জিনা হাস্পেলনা শাওখি হায়রি। লৈবাকপোকপা নুমীৎকী পাউদমগী মতাংদা সী আই এগী মায়কৈদগী কম্মেন্ট পীরক্ত্রি। খাসোজিগী মীহাৎ অদুগী মতাংদা ত্রম্পনা উৎখিবা থৌওংদা সিনেটর কয়ানা পেন্নদ্রি। মখোয়গী অশাওবদু হাস্পেলনা ব্রিফিংদা য়াওখিদবদগীসু হেনগৎখি। মদুনা মরম ওইদুনা অমেরিকানা য়েমেনগী লানদা শরুক য়ারিবা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন শৌগৎপা তোক্লবগী থৌরাং অমা হৌখিবা চয়োলদা ভোট ৩৭ খক্তী মায়োক্তা ৬৩ না শৌগৎখি। মান্নবা রিজোল্যুসন অমসু চহী অসিগী অঙনবদা সিনেটতা ভোট লৌনবদা ফেল ওইখিবনি। য়েমেনদা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবা অমসুং অৱা-অনা কয়া থোকহনবগীদমক্তা হৌজিক সাউদি অরাবিয়াদা পাউজেল পীবগী মতম লাক্লে হায়না দেমোক্রেটিক সিনেটর বোব মেনেন্দেজনা হায়খি।

রিপব্লিকান সিনেটর লিন্দসে গ্রাহমনা হায়খি, মেম্বর সুনা তিনবা সিনেটতা হাস্পেলনা খাসোজিগী মীহাৎকা মরী লৈননা পাউদম অমা পীদ্রিফাওবা মরুওইবা লেজিসলেসন খুদিংমক্তা মহাক ভোট পীবা য়াওরোই।

# ইজরেলনা হেজবোলাগী টেরর শুরুংশিং থিংজিল্লগনি হায়খ্রে

জেরুসালেম, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী):
লেবাননগী হেজবোলা মুভমেন্টনা ইজরেলগী লমদা হুৎশিল্লক্লিবা টেররগী শুরুংশিং থিংজিন্নবগী ওপরেসন অমা হৌরে হায়না ইজরেলি মিলিটরিনা হায়রি।

ইজরেলি মিলিটরিনা হায়, শুরুংশিং অদু মথৌ তৌরক্ত্রিঙৈদা অমসুং মখোয়না মীচমশিংদা অকিবা পোকহল্লক্ত্রিঙৈদা থিংজিল্লগনি। ইজরেলি মিলিটরিনা শুরুং কয়া য়াম্না লৈবগে হায়বদি পনখিদ্রবসু ওপরেসন অদু বোর্দরগী ইজরেলগী মায়কৈদা পাঙথোক্কনি। ইজরেল অমসুং কুমজা ২০০৬ তা ইজরেলগা থা অমা চুপ্না লান শোক্লখিবা হেজবোলাগী মরক্তা টেন্সন ৱাংদুনা লৈরি। নাকল অনীগী মুক্লবগী ফীভম অদুদা অয়াম্বনা মীচমশিং ওইদুনা লেবানিজ ১,১২৫ হেন্না অমসুং ইজরেলি মীচম ৪০ শিখ্রে।

নাকল অনীগী লান অদু হেজবোলাহ লালহৌবশিংনা ইজরেলদা রেইদ অমা চথুদুনা লান্মী নিপান হাৎখিবা অমসুং কোন্না হাৎখিবা অতৈ লান্মী অনী ফাবগা লোয়ননা হৌখি। ইজরেলগী মায়কৈদগী গ্রুপ অদুগা অতোপ্পা লান অমসু থোক্লবা য়ানা লৈ হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে অমসুং অনৌবা লান অমা শোক্নরকপা মতমদা মিলিটরি ফোর্স চাউনা শীজিন্নগনি হায়খ্রে। করিগুম্বা লান শোক্লরকপা তারবদি য়াম্লবা রোকেটশিং শীজিন্নদুনা ইজরেলদা এটেক তৌগনি হায়নসু হেজবোলাহনা চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে।

# নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর চাইনাদা ৱা তান্নবা চৎলগনি



বৈজিং, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর নুমীৎ হুম্নীগী ওইবা খোঙচৎ অমদা চয়োল অসিদা চাইনাদা লাক্লগনি হায়না চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনাগী খোঙচৎ অদুদা নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরনা সিনিয়র ওফিসলশিং উনগনি অমসুং কোরিয়ন পেনিনসুলাগী মরমদা খন্নগনি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা মখা তারি।

চাইনানা নোর্থ কোরিয়াবু খ্বাইদগী মরুওইবা শেল-থুম অমসুং দিপ্লোমেটিক্কী হিরমশিংদা মতেং পাংলি। নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিংদা বৈজিংনা খোইরাং খোয়শাওবা উৎখ্রবসু প্যোংয়াংবু হিরম খুদিংমক্তা মতেং চাউনা পাংলি অমসুং শৌগৎলি। তশেংনমক, চাইনানা নোর্থ কোরিয়াবু শৌগৎপা অমত্তা ঙাইরবা অমসুং খ্বাইদগী মরুওইবা লৈবাক ওইরি।

প্যোংয়াংনা সিওল অমসুং ৱাশিংতন অনীমক্না শিংথানিংঙাই ওইনা মরী ফগৎহনবা ঙমখিবগা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়া অমসুং চাইনাগী মরীসু ফগৎখি। শগোলশেন নুমীৎতগী হৌগদৌরিবা রি য়োং হোগী নুমীৎ হুম্নীগী খোঙচৎ অদুদা চাইনিজ গভর্ণমেন্টকী তোপ দিপ্লোমেট ষ্টেট কাউন্সীল্লর ৱাং য়িগসু উনগনি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন গেং সুৱাংনা ফোঙদোকখি। লুচিংবা অনীনা চাইনা-নোর্থ কোরিয়া মরী, কোরিয়ন পেনিনসুলাগী ফীভম অমসুং নাকল অনীনা লুনা লৌনবা অতৈ ইস্যুশিংগী মতাংদা কুপ্না তাথোক তাশিন তৌনগনি হায়না গেংনা অকুপ্পশিংদি পন্দবীদা ন্যুজ ব্রিফিং অমদা হায়খি।

চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংগী নোর্থ কোরিয়া খোঙচৎকী থৌরাংগী মতাংদা মখোয়নিনা খন্নগদ্রা হায়না হংবদা গেংনা কম্মেন্ট পীখিদে। হিরম অদুগী মতাংদা মঙোন্দা ইনফোর্মেসন লৈতে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং উননা চহী অসিদা বৈজিংদা অহুম্লক চৎতুনা প্রসিদেন্ট সীগা উনখ্রে। দিপ্লোমেটিক ছোর্সশিংগী মতুংইন্না মতম খরগী মনুংদা সীনা নোর্থ কোরিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎলগনি।

# রাজাপক্সাবু পি এমগী থবক পুবা থিংখ্রে

কলম্বো, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী):
শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা সিরিসেনাগী নিংবা কায়নিংঙাই ওইরবা খোঙথাং অমা ঈথৎ লৈবাক অদুগী কোর্টনা ঙরাং মহিন্দা রাজাপক্সাবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা থবক তৌবদা অথিংবা থমখ্রে। প্রসিদেন্ট সিরিসেনানা খঙহৌদনা ৱাথোক ওইরবা ৱারেপ অমা লৌদুনা প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্ঘেবু মফম লৌথোক্লগা মহাক্না হান্না য়েংথিনখিবা রাজাপক্সাদা ফম অদু পায়হনখিবনি। আপিল কোর্ট অদুনা রাজাপক্সা অমসুং মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা নোটিশ অমসুং মরক্কী ওর্দর থোক্তুনা মখোয়বু প্রাইম মিনিষ্টর, কেবিনেট মিনিষ্টরশিং অমসুং দেপ্যুটি মিনিষ্টরশিং ওইবা থিংখি। রাজাপক্সা অমসুং মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা এম পি ১২২ না থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অমগা মরী লৈননা ওর্দর অদু পীখিবনি।

# চাইনিজ কারগী তারিফকা মরী লৈনবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী ৱাফমনা অমেরিকাদা চমম্নবা পোকহল্লে

ন্যু য়োর্ক, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী):
চাইনাদা য়ু এসকী কারশিং পুশিল্লকপদা তারিফ ককথরগনি হায়বা বৈজিংগী ৱাফমনা ৱাশিংতনদা চমম্নবা পোকহল্লে হায়রি। চাইনানা অসিগুম্বা খোঙথাং অমা লৌখৎলগনি হায়না য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা লাউথোকখিবা মতুং নোংঙাল্লগা চমম্নবা থোক্লকখিবনি।



বৈজিংগী মায়কৈদগী থৌরাং অদু হৌজিক ফাওবা কনফার্ম তৌরক্ত্রিবদা নত্তনা প্রসিদেন্ট ত্রম্পকী এদভাইজরশিংনসু এগ্রীমেন্ট অদু চপ চানা চুম্লে হায়বা ঙমদ্রি। লৈখাই তাদবগী ফীভম অসি য়ু এস অমসুং চাইনানা জি ২০ গী সম্মিটতা য়ানখিবা ট্রেদ ৱারগী ক্রসকী অকুপ্পশিংগী মতাংদসু লৈরি। কার শাবা কম্পেনি ফোর্দনা বি বি সীদা ক্রস অদুগী অকুপ্পশিং ঙাইরি হায়খি। য়ু এসনা চাইনাবু ফজদবা মওংগী ট্রেদ প্রেক্টিসশিং চৈখে হায়না মরাল শিরি। অদুনা য়ু এসকী তারিফশিংগী পান্দমদি অমেরিকান কম্পেনিশিংবু অথোই অহেন তানবদা খুদোং চাহন্দ্রিবা চাইনাগী প্রেক্টিসশিংগী ময়াই চমহনবনি। থিওরিদদি তারিফশিং অদুনা য়ু এসনা শাবা পোথোকশিংনা মপান্দগী পুশিল্লকপশিংদগী মমল হন্থহন্দুনা কঞ্জুমরশিংবু অমেরিকান পোথোক-শিংদমক লৈনবা পূক্লিং থৌগৎলি।

থা কয়ামুক অমনা অমবু কিহন্নখিবা মতুংদা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা অর্জেন্টিনাদা পাঙথোকখিবা জি-২০গী সম্মিটতা লল্লোন-ইতিক্কী য়েৎনবশিং কোকহল্লগদবা মতম খরগী ওইবা এগ্রীমেন্ট অমা নাকল অনীগী মরক্তা পুরক্লে হায়না ৱাশিংতন অমসুং বৈজিংনা ফোঙদোকখি। দিল অদুগী য়াম্না মরুওইবা ৱাফমদি প্রসিদেন্ট ত্রম্প অমসুং চাইনাগী প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা ৱারী শানবদা খুদোংচানবা নুমীৎ ৯০ নি তারিফ হেনগৎহন্দবগী ৱাফম য়ানখি। য়ু এসকী প্রসিদেন্টনা তুংদা ত্বিটরগী ৱারোল অমদা বৈজিংনা য়ু এসতগী চাইনাদা লাকপা কারশিংগী তারিফ হন্থরগনি অমসুং লৌথোক্লগনি হায়না থাজবা পীরক্লে হায়না পনখি।

মহাক্কী ৱাফম অদু চাইনানা য়ু এসকী গাড়ীদা লৌরিবা চাদা ৪০ গী তারিফকা মরী লৈনৈ। হৌখিবা জুলাইদা নাকল অনীগী লল্লোন-ইতিক্কী লানগী শরুক অমা ওইনা তারিফ অদু চৎনহনখিবনি। তারিফকী চাং অদু অতৈ ট্রেদিং পার্টনরশিংদা পীহল্লিবা চাদা ১৫ দগী য়াম্না হেনখি। মদুনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা কারগী কৈথেল ওইরিবা চাইনাগী কার শাবা কম্পেনিশিংবু নমদুনা মখোয়গী গাড়ীশিংগী মমল হেনগৎহনখি।

# ইটালিয়ন মাফিয়াগী গোদফাদর সেটিমো মিনিও সিসিলিদা ফারে

রোম, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী):
সিসিলিয়ন মাফিয়াগী অনৌবা মকোক্নি হায়বা মীওই ইটালিয়ন পুলিসনা মহাক্না থবক তৌমিন্নবা মীওই ৪৫ গা লোয়ননা ফারে হায়রি।

অয়ুক অঙনবদা পুলিসনা পালের্মোদা রেইদ চথুবদা মশাগী চহী ৮০ শুরবা জ্যুএলর সেটিমো মিনিও ফাখিবনি। মহাক হৌখিবা মেদা পাঙথোকখিবা মাফিয়া অমগী মীফমদা কোসা নোষ্ট্রাগী গোদফাদর ওইনা খনখিবনি হায়রি।

ইটালিয়ন মীদিয়ানা মহাকপু চহী অমগী মমাঙদা জেলদা শিখিবা টোটো রিয়াইনাগী মহুৎ শিনবা মীশক্নি হায়না ফোঙদোকখি। মাফিয়াগী সস্পেক্টশিং অদু নমদুনা শেল খায়বা, নোংমৈ শীজিন্নদুনা অরানবা তৌবা, মৈ থাবা অমসুং অতৈ ক্রাইম কয়াগী মরাল শিখি।

সিসিলিয়ন মাফিয়া- কোসা নোষ্ট্রানা ক্যুপোলা হায়রগা খঙনবা মখোয়গী লুচিংবা অদু চহী কয়ামুক মীফম পাঙথোকখিদ্রবা মতুংদা নৌনা অমুক শেমখিবনি হায়রি। ইটালিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর মাতিও সালভিনিনা ত্বিটরদা ওপরেসন অদুবু কারাবিনিয়রি (পরামিলিটরি) গী অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কোসা নোষ্ট্রাগী অনৌবা ক্যুপোলা চিংথুখ্রে হায়না ক্লেম তৌখি।

ইটালিগী মীদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়, হন্দক চহী খরা অসিদা ইটালিয়ন পুলিসনা কোসা নোষ্ট্রা নেটৱার্কতা চৈথেং চাউনা পীখিবা ওইরবসু মাফিয়া কাঙবু অসিনা মখোয়গী লুচিংবা অমা শেম্নবা হোৎনখি।

টোটো রিয়াইনানা জেলদা লৈরিঙৈদা কোসা নোষ্ট্রাগী থবক থৌরমশিংদা অকায়বা লৈখি। তোইগুম্বসুং মহাক্না শিখ্রবা মতুংদা মাফিয়া অদুনা গোদফাদর অমগী ওর্দর য়াওদনা ক্যুপোলা অমা শেম্নবা হোৎনরকখি।

# অশোকপা হৌথি লালহৌবশিং য়ু এনগী প্লেননা হোন্দোক্লগনি

সানা, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী):
য়েমেনদা ঈং-চিকপা ফীভম পুরক্লবগী ৱারী শানদ্রিঙৈগী মাঙওইননা থাজনবগী ফীভম অমা লৈহন্নবগীদমক অশোক-অপন নংলবা হৌথি রেবেলশিং য়ু এনগী প্লেন অমনা লৈবাক অদুদগী হোন্দোক্লগনি হায়না রেবেলশিং অদুগা লান্থেংনরিবা সাউদিনা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসন্না হায়রি।

লালহৌবা ৫০ লায়েংনবগীদমক মখোয়না কন্ট্রোল তৌরিবা কেপিটেল সানাদগী ওমান্দা নিংথৌকাবগী অথেংবদা পাইরগনি। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা স্পোন্সর তৌদুনা লালহৌবশিং অমসুং সাউদিনা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টগী মরক্তা ৱারী শানগদৌরিবদু লাক্লিবা নুমীৎ খরনিগী মনুংদা হৌরগনি। লান অদুনা হৌখিবা মতম খরসিদা মীয়াম্বু অৱা-অনা অদুক্কী মতিক নংহনখি। চহী ৪ রোম শুরবা য়েমেনগী মুক্লবগী ফীভম অদুদা মীওই লিশিং কয়া লানদা শিখ্রে অমসুং মীওই মিলিয়ন কয়ানা চাবা ফংদবগী ফীভমদা লাকহনখি।

কোলিসনগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখিবদা, মশাদা অশোক অপন নংলবা কম্বেটেন্ট ৫০ হোন্নবগীদমক্তা য়ু এনগী চার্টর প্লেন অমা নিংথৌকাবদা সানা ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংগনি। সানাদগী মুস্কাটতা অশোকপশিং পুগদৌরিবা প্লেন অদুদা য়েমেনি ডোক্তর অহুম অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সগী ডোক্তর অমসু য়াওগনি।

স্পোক্সমেন অদুনা হায়, খোঙথাং অদু য়েমেনগা মরী লৈনবা য়ু এনগী স্পেসল এনভোই মার্টিন গ্রিফিথনা হায়জরকপদগী স্বিদেনদা ৱারী শানদ্রিঙৈগী মাঙওইননা থাজবা পোকহন্নবগী থৌরাং অমা ওইনা য়াখিবনি। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা প্রসিদেন্ট বন্দ্রাববুহ মনসুর হাদিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অমসুং লৈবাক অদুগী অৱাংথংবা শরুক অয়াম্বা কন্ট্রোল তৌরিবা ইরাননা শৌগৎপা হৌথিশিংগী মরক্তা ৱারী অমুক মখা চথুবা য়ানবা হোৎনরকখিবনি। মমাঙদা হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা জিনেভাদা ৱারী শাননবা শিনখিবদা হৌথিশিং লাকখিদবদগী তোকখি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM**

*Ref:- Mut. Case No. 563 of 2018*

1. Adimpu Thaimei S/o Makukhon Thaimei of Ragailong, Panton, Imphal East.

...... *Applicant*

-Vrs-

1. Aden Naga S/o (L) Meira Naga of Wainem.

...... *O.P. Pattadar*

**/NOTICE**

Oinam, 04-12-2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুন নং ৩২- কৈনৌ খুনগী পাট্টা নং ৩ অনৌবা, দাগ নং ৭২, এরিয়া ২.৬৮ একর ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। দংকারিনা পাট্টাদারগী মমীং কক্লগা মহাক্কী মমীংদা নমা পানবীয়ু হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা কনাগুম্বনা কেস অসিগী মরীদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিদা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

*Sd/- **Sub-Deputy Collector, Oinam***

HL-P/5777/5



## /দশা য়েংজরি



মখাগী হিরমশিং অসিদা কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়েংজরি লোয়ননা ফনবা তানবিয়ু। অঙাংগী মহৈ-মশিং, দশা-লাংফম, পক্লবা থবক, লাইরিক পানিংদবা, ঙাংনবা ঙমদবা, নিশাদা লাইচুবা, মোবাইলদা উংবা, শুফম-নোমফম খঙদবা, দাউ য়াদবা, শেল তুঙদবা, চানবা করবার, পক্লবা লক্লিষ্টৌন, প্রমোসন, ভোট লেপ্পা, লমগী কেশ থেংনবা, য়ুম-ইঙ্খোল, গাড়ী, য়ুম্বাল মহী লাংবা, লুহোংবা থিন্থবা, অঙাং ওইবা ঙমদবা, মীনা কল্লক-য়েংথিবা, হকচাং অনাবনা য়েৎপা, পোৎশম-যাদু লৈবা, ঙাওরি-ফৈরি তৌবা, অসিনচিংবা। মতম অয়ুক পুং ৭ তগী ১২.৩০ ফাওবা লৈবাকপোকপা য়েংজদে।


*মীয়ামগী:* জ্যোতিষ মহাধাষি
**JM Dr Ph. Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai,
Academy Road, Imphal

HL-P/5763/12/3-1Jan.



## /মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
**চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স**



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬। মথক্তা পঙ্খিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীভৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

Phone No. **9612225582**
**Regd. No. 4277 of 82 April**
**DR. N. IBOHAL MEITEI,**
**State & National Awardee**

HL-B/5005/20/11-19/12



**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR: IMPHAL-795003**
Manipur, India

ADMISSION NOTICE
Dated, the 4th December, 2018

No. MU/3-20/HRDE/Cert/Aca/13:/606 It is hereby notified for information of all concerned that the admission test for one year PG Diploma in Human Right & Duties Education, for the session 2018-19 has been re-scheduled on 16th December, 2018 at 1.p.m. in the premises of the centre which earlier scheduled on 12th December, 2018.

Sd/-
S. Buddhabati Devi
Assistant Registrar/Aca

HL-B/5044/5



